**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-07.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্ম বিরেননা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী তাকখোকপাৎতা চৎতুনা মফম অদুদা ওইরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফিভম য়েংশিনখ্রে।

ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, কৈরাও কেন্দ্রগী এম.এল.এ. এল. রামেশ্বর অমদি মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিং য়াওনা চৎখিবা খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-রাজ্য অসিদা হৌখিবা থাশিংদা নোংলৈ নুংশিৎ-রেমাননা মরম ওইদুনা ঈশিং ঈচাউ থোকখ্রে। মসিগা লোয়ননা লেন পাক শন্না তাবদগী য়ুম-কৈ অমদি মহৈ-মরোং কয়া মাঙ তাকহনখি। মসিগী মতুং ইকান কান্নদনা হন্দক নোংজ্গী ঈশিং ঈচাওগী অৱাবা ঙসি মীয়ামা মায়োকরি। অসিগুম্বা ফিভম অসি রাজ্য অসিগী মীয়ামগী ওইনা লাইবক থিবনি।

শ্রী বিরেননা মখা তানা হায়-রাজ্য অসিদা থোকখিবা লেন তাবগী থৌদোক অদুনা অমাং অতা থোকহনখ্রবশিংগী ওইনা জিভঘ য়াওনা পীবা য়াবা মতেংশিং পীখ্রে। হন্দক থোক্লিবা অনিশুবা ঈচাও অসি মমাংগী ঈচাও অদুগা য়েংনবদা অমাং অতা থোকপগী চাং খরমখৈদি হন্থরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা থোক্লিবা ঈচাও অসিদা পুলিস, অসাম রাইফলস, সরকারগী তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী মীওইশিং অমদি মীয়াম য়াওনা ভোলুন্টরিলি থোরক্তুনা ঈচাও অসি থেংননবা হোৎনখিবা অমদি লৌখিবা থৌদাংশিং অদুগীদমক পুমমকপু থাগৎপা ফোংদোকখি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়-হন্দক থোকখিবা ঈচাও অদুদা সরকার য়াওনা মরী লৈনবা বিভাগকী মায়কৈদগী ঈচাওনা শোকহল্লবশিংদা পীবা য়াবা তেংবাংশিং পীরি। তেংবাং অসি

জিলা জিলাগী ওইনদি দিষ্ট্রিক্ট দিজাস্তর মেনেজমেন্ট ওথোরিতিগী মায়কৈদগী পীরি।

**ঈচাও (এল)ঃ** মনিপুরদা নোংজগী চাং অসি খরা হন্থরকপগা ইরোইননা তুরেলশিংগী ইমায়সু তপা তপা হন্থরক্লি।

রাজ্য সরকারগী ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগকী মেন ফ্লড কন্ট্রোল রুমদগী থোরকপা চেরোল অমনা হায়-হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইম্ফাল তুরেলগী ইমায় ময়েং তানবা ইথাই বরাজগী গেট নম্বর ৱান অসি মিটর ৬.৫ হাংদোক্লুনা থল্লি অদুগা লেমহৌরিবা গেট নম্বর টু, থ্রি, ফোর অমসুং ফাইবনা মপুং ফানা হাংদোক্লুনা থল্লি। শামুশঙদা লৈরিবা রিগুলেটর অসি মপুং ফানা থিংজিনদুনা থমলি। অদুগা থৌবাল বরাজগীনা গেট নম্বর ৱান অসি মিটর ০.১০ হাংদোক্লুনা থল্লগা অতৈ গেটশিংনা থিংজিনদুনা থল্লি।

**নোংমৈ (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী উরিপোক অচোম লৈকাইদা লৈবা এনজেল চিলদ্রেন হোস্পিতাল এন্দ ভেক্সিনেসন সেন্টরদা ঙরাং নুমিদাং মশক খঙদবা মীওইশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লস্লে হায়রি।

নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্লুনা ঙসি হোস্পিতাল অসিগী ষ্টাফশিং অমদি উরিপোক অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী মীহুৎশিংনা শরুক য়াদুনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা নিন্দা তৌখি। থৌওং অদু ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রান্স মণিপুরনসু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা, চুরাচান্দপুর জিলাগী শিংহাত কেন্দ্রগী এম.এল.এ. চিনলুনথাংগী ময়ুমদা শকখঙদবা খুৎলায় পায়বশিংনা ঙরাং নোংমৈনা কাপশিল্লম্বগী থৌওং কুকি কাংলুপকী এম.এল.এ. ৯ না সহি তৌদুনা

থাদোরকপা চেরোল অমনা য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং ফাদুনা আইনগী ওইবা চৈরাক পীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

**মীফম (এল)ঃ** নাগারামদগী খুয়াথোং ফাওবদা লৈরিবা নাগা নালাগী নাক য়েৎতা আইননা য়াদবা মওংদা লম খোপচিল্লিবশিং সরকার অমদি মরি লৈনবা বিভাগশিংনা মীৎয়েং চংদুনা অথুবদা তকথোকউ হায়না ৱাকৎ মীফম চথুখ্রে।

নাগারাম তাংখুল এভিন্যু, দ্যুলালেন্দ অমদি ফাইরিলেন্দগী মীয়ামনা চথুখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা নাগারাম ভিলেজ ওথোরিতিগী চেয়ারমেন-জোইসন রাইখাননা হায়-নাগারাম তাংখুল এভিন্যু, দ্যুলালেন্দ অমদি ফাইরিলেন্দগী মফমশিং অসি নোং খজিক্তং চুবদা খুৎশেমগী ঈশিং ঈচাও থোক্লি। মসিনা মরম ওইদুনা মফম অসিগী মীয়ামদা ঈচাওগী অৱাবা অমদি খুদোংচাদবা ওইনা মায়োক রি। মরম অসিনা আইনগী ৱাংমদা লম খোচিল্লিবশিং অসি তকথোক্ত্রবদি দিঙ্কু রোড থিংবগী খোঙজং ফাওবা চংশিল্লকপা য়াই।

**জিরিবাম (এল)ঃ** জিরিবাম জিলাদা অথুবদা শান্তি হনজিল্লকপা ঙমবা কাংলুপ অনিগী লুচিংবশিংগা ৱারী শান্নরি হায়না জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট রিকোনসিলিয়েসন ফোরমগী স্পোকপার্সন-মেথিয়ু পানমৈনা ফোংদোকখ্রে।

জিরিবামগী পি.ডব্লিয়ু.ডি. গেষ্ট হাউসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা মেথিয়ুনা হায়- জিলা অদুদা অমুক হন্না তংদু লৈতাবা ফিভম ওইহন্নবা কাংলুপ অনিগী লুচিংবশিং ৱারী শান্নবনি। রাজনিতিগী ইথিল য়াওদবা ফোরম অসিনা অঙন্বা থাক্তা জিরিবাম জিলাদা শান্তি হনজিলহন্নবা থবক মখা তানা পায়খৎখিগনি। মহাকা মখা তানা তোঙান তোঙানবা কাংলুপশিংগী লুচিংবশিংনসু ফোরম অসিনা জিরিবামদা শান্তি হনজিল্লকবা পায়খৎলিবা থবকশিংদা মতেং পাংবীনবা আপিল তৌখি।

**মহোতসব (এল)ঃ** ৭৫ শুবা বনমহোতসবকী থৌরম রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা পাঙথোক্লি।

থৌবাল ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমিতিনা শিনদুনা খোংজোম ৱার মেমোরিএল কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাসনা উমং কোকথোকপনা ঐখোয় মীওইবদা তোঙান তোঙানবা চৈথেং পীবগা লোয়ননা অকোইবগী অইং আশাদা চাউনা অকায়বা পীরি হায়না ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী তোঙান তোঙানবা স্কুলশিংগী মহৈরোইশিং, ওজাশিং অমদি তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংগী ওফিসিএলশিংনা উ চারা কয়া থাখি।

বনমহোতসকী থৌরম সেনাপতি ফোরেষ্ট দিভিজন অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন-সেনাপতিনা শিনদুনা জিলা অসিগী মিণি সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকখ্রে। প্লান্ট এ হোপ ফোর দা ফ্যুচর হায়বা থিমদা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অসি চান্দেল জিলাগী জোপিদসু রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিস-চকপিকারোং অমসুং ১৭ শুবা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা বনমহোতস পালনগা মরী লৈননা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

বিষ্ণুপুর ফোরেষ্ট দিভিজন, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা জিলা অসিগী মোইরাং খুনৌদা লৈবা সঙাই ইথনিক পার্কতা পাঙথোকখি।

**এদুকেসন (এল)ঃ** ২৭লক শুবা দিস্তরভেন্স ফ্রি এদুকেস্নেল জোন দিমান্দ ডে-২০২৪ গী থৌরম মনিপুর কলেজতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ওজাশিং, মহৈরোইশিংগী মমা-মপাশিং অমদি মহৈরোই লুপশিংনা য়াওনা তোঙান তোঙানবা লুপ ১৪ না পুন্দুনা শেম্বা কো-ওর্দিনেটিং কমিতি ওন দিস্তরভেন্স ফ্রি

এদুকেস্নেল জোন দিমান্দনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা কমিতি অসিগী ভাইস চেয়ারমেন-জয় খুমননা হায়-খুমাং চাউশিনবা লমদম অমা শেম্বদা এদুকেসনগী চাউরবা থৌদাং লৈ। মরম অসিনা, এদুকেসনগা মরী লৈনবা হীরম অমত্তদা অয়েৎ-অপন পীদনবা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং অদু পুমমকা লৌমীন্নসি।

**দিএময়ু (এল)ঃ** দি.এম. য়ুনিভরসিতিগী রিগুলর ভাইস চাঞ্চেল্লর অমদি রেজিস্ত্রার অথুবদা হাপ্পীয়ু হায়না য়ুনিভরসিতি অসিগী মখাদা লৈবা অন্দর গ্রেজ্‌য়েট মহৈরোইশিংনা দাবী তৌরি।

য়ুনিভরসিতি অসিগী কেম্পসতা লৈবা দি.এম. আর্টসতা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা অন্দর গ্রেজ্‌য়েট মহৈরোই অমনা হায়-য়ুনিভরসিতি অসিগী রিগুলর ভি.সি. অমদি রেজিস্ত্রার লৈতবা অসিনা মরম ওইরগা মহৈরোইশিংগী একাডমীক কেরিয়ারদা অকায়বা কয়া থোক্লে। পরিক্ষা মতম চানা পাঙথোকপা অমসুং মতম চানা হায়দোকপা ঙমদবগী খুদোংচাদবা কয়া লৈরে।

**লৌমী (এল)ঃ** সেন্ত্রেল এগ্রীকলচরেল য়ুনিভরসিতি-ইরোইশেম্বগী কলেজ ওফ এগ্রীকলচরনা শিনদুনা লৌমীশিংদা শিঙ, য়াইঙং য়াওনা মরু-মরাংশিং বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা করমা থাহনগদগে হায়বগী মতাংদা ত্রেন্নিং প্রোগাম অমা ঙসি কলেজ অসিদা পাঙথোকখ্রে। মদু দাইরেক্তোরেট ওফ আরসিয়ান এন্দ স্পাইসিষ্ট দিবলপমেন্ট-কালিকত কেরলাগী শেন্থং মখাদা পাঙথোকখিবনি। ত্রেন্নিং প্রোগ্রাম অদুদা চিং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদগী লাকপা মীওই ৯০ রোমনা শরুক য়াখি।

**মহেশ (এল)ঃ** মনিপুরদা লৈরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী মতাংদা দিল্লিগী কন্সটিটুট্যসন ক্লবতা মনিপুর আর.পি.আই.(অথাৱালে) কোনক্লেপ হায়বা মীফম

অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা কেন্দ্রগী সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্টগী মন্ত্রি-রামদাস অথাৱালে, আর.পি.আইগী নেসনেল প্রসিদেন্ট, দল অসিগী নেসনেল সেক্রেটরি-থৌনাওজম মহেশ্বর অমদি দল অসিগী মনিপুরগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি।

মীফম অদুনা মনিপুরদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মীফম অদু লোইরবা মতুংদা দিল্লিগী এলভেন সবদরজঙ্ক রোডতা লৈবা রামদাসকী ময়ুমদা চৎত্না মনিপুরদগী চৎখিবা আর.পি.আই (অথাৱালে) গী ৱার্করশিংনা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী মনুং চন্না লৈবা তুইবোং অমসুং লমকা ব্লোক্তা শমপুরনা অভিয়ান স্কিম ঙসিদগী হৌদোকখ্রে।

স্কিম অসি প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী জানুৱারী থাদা হৌদোকখিবনি। লৈবাক অসিগী ওইনা এসপিরেস্নেল ব্লোক প্রোগ্রাম (এ.ভি.পি) না কোনশিনবা পুন্না ব্লোক ৫০০ খনগৎপগী মনুংদা চুরাচান্দপুর জিলাগী ব্লোক অনি অসি য়াওরকপনি। স্কিম অসি ঙরাং অমসুং ঙসি জিলা অদুগী লমকা কলেজ অমসুং তুইবোংগী টি.দি.সি. হোলদা দি.আর.দি.এগী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-জেমসন হংশিংনা হৌনবী মতুং ইন্না হৌদোকখিবনি।

**তমেংলোং (এল)ঃ** বন ধন বিকাশ কেন্দ্রনা মীয়ামদা পীবা কান্নবশিং খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি তমেংলোং জিলাগী য়ু.বি.সি. কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

বন ধন বিকাশ কেন্দ্র অসি ত্রাইবেল মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহনবা সরকারনা পায়খৎপা থৌরাং অমনি।

**কেম্প (এল)ঃ** ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোংজম অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা জিলা অসিগী সি.এম.ও., ইন্দিয়ান রেড ক্রোস সোসাইতি-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্স অমদি আমেরিকান এসোসিয়েসন ওফ মীতৈগা খুৎশমনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা ঈচাওনা শোকহল্লবা মীওই ৯৪ রোম লায়েংখি অমদি লেমা হিদাক লাংথক য়েন্থোকখি।

**এনএসএস (এল)ঃ** নুমিৎ মঙানি চথ্খরকপা নোর্থ ইষ্ট এন.এস.এস. ফেষ্টিবেল-২০২৪ ঙসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা লোয়শিনখ্রে। ফেষ্টিবেল অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী এন.এস.এস. সেল অমদি রিজনেল দাইরেক্তোরেট এন.এস.এস. গুৱাহাতিনা পুন্না শিনবনি। মসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী এন.এস.এস. ভোলুন্টিয়ার ৩০০ রোমনা শরুক য়াখি।

**দিফেন্সঃ** ইং ২০২৩-২৪ দা ভারতনা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় পুথোকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। চহি অসিদা পুথোক্লিবা ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায়শিং অসি লুপা কোতি লাখ অমা লিশিং ৩৭ হেনবগী শেনফম ওইগনি। মসি হৌখিবা শেনবা চহিগা য়েংনবদা চাদা ১৬.৮ গী চাংদা হেল্লবনি।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিলগী লীচিং মখাদা মেক ইন ইন্দিয়াগী থৌশিলনা লৈবাক অসিনা অনৌবা পন্দুপ কয়া য়ৌবা ঙমলে। ঙাকশেলগী খুৎশু খুৎলায় শারিবা লন্নাই উদ্যোগশিংদা শ্রী রাজনাথনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

**মোদি** ঃ ২২ শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল সম্মিৎ য়াওনবগীদমক প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ নিনিগী খোঙচৎতা থা অসিগী ৮ দা রসিয়াদা চৎলগনি। খোঙচৎ অসিদা শ্রী মোদিনা রাসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিনদুনা লৈবাক অনিগী মরা অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদা খন্নগনি। খোঙচৎ অসিগী তুংদা

প্রধান মন্ত্রি ওষ্ট্রিয়াদা চৎকনি। চহি ৪১ গী মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি অমনা ওষ্ট্রিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎ ওইরগনি।

খোঙচৎ অসিদা শ্রী মোদিনা ওষ্ট্রিয়াগী রাষ্ট্রপতি আলেকজেন্দর ভান দরগা উন্নগনি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর কার্ল নেহমরগসু ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর অসিনা লৈবাক অনি অসিদগী শরুক য়াগদৌরিবা বিজিনেস লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি। খোঙচৎ অসিগী মখা তারকপদা প্রধান মন্ত্রিনা মোস্কো অমসুং ভিএনাদা লৈবা ভারতমচাশিংগসু উন্নগনি।

**অশ্বিনি বৈষ্ণবঃ** কেন্দ্রগী মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা হায়রি-অখন্নবা দ্রাইব অমগী মখাদাচহি অসিদা ইন্দিয়ান রেলৱেজনা জেনরেল কোর্স লিশিং ২,৫০০ শাবা ঙমলে।

ইন্দিয়ান রেলৱেজকী গতি শক্তি বিশ্ব বিদ্যালায়া অমসুং ইয়ারক্রাফট শারিবা ইয়ার বসকা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং তৌনরবা মতুংদা মন্ত্রিনা হায়-কুম্নোগী মতমদা মীয়ামগী অপান্বশিং থুংহন্নবগীদমক ইন্দিয়ান রেলৱেজনা অখন্নবা রেলগাড়ি লিশিং ১০ চেলহনখি। মহাকা হায়-সরকার অসিনা লাইরবা মীয়ামদা খুদোংচাবশিং অসি পীননবা অখন্নবা মীৎয়েং থমলি।

মহাকা হায়-অন্বিত ভারত রেলগাড়ি ৫০ হেন্না শাবগী থবক হৌখ্রে।

**ওলিম্পিক** ঃ পেরসি ওলিম্পিক গেমস ২০২৪ দা শরুক য়াগদবা ভারতকী শান্নরোইশিংগা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। উন্নবা অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা গেমস অসিদা ভারতকী শান্নরোইশিংনা চাউনা মায় পাক্লক্কনি হায়বগী থাজবা শ্রী মোদিনা ফোংদোকখি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়-২০৩৬ কী ওলিম্পিক্স ভারতনা যুম্বু ওইননবা আশা তৌরি। মসিগীদমক্তা চাউখৎ থৌরাংগী থবক কয়া লেপ্পা লৈতনা পায়খৎলি।

**করাতে (এল)ঃ** অগরতালাগী নোংচুপ ত্রিপুরাদা লৈবা অসাম রাইফলস পাব্লিক স্কুলদা হয়েংদগী হৌদুনা নুমিৎ নিনি চুপা পাঙথোক্কদবা তরেৎশুবা নেসনেল জেন্দোকাই করাতে চেম্পিয়নসিপ্তা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী শান্নরোই অমসুং ওফিসিএলশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** অরজেন্টিনানা ইক্বেদোরবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইদুনা কোপা আমেরিকা ২০২৪ গী সেমি ফাইনেল চংখ্রে। সেমি ফাইনেলদা ভেনিজ্বেলাগা কনাদাগা শান্নবা মেটচতগী কারকপা টিমগা অরজেন্টিনাগা শান্নগনি।